HUEIYEN LANPAO

Refreshingly Reliable

হুইয়েন লানপাউ

The messenger of the masses


সহীদ মধুমঙ্গল মেমোরিএল ফাউন্দেসননা শীন্দুনা জৱাহরলাল নেহরু দান্স একাদেমিগী হোলদা পাঙথোকখিবা ৯শুবা সহীদ মধুমঙ্গল মেমোরিএল লেকচর




লামায় ৪

ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজননা শীন্দুনা দি এফ ও থৌবালগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা নুমীৎ নীনিগী ওইবা নেচর ট্রেনিং ফোর সিভিল সোসাইটিজ হৌদোকপগী থৌরম




লামায় ৫

হৈরোক পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা হৈরোক পার্ট-থ্রী চম্প্রাথোং ময়াদা লৈবা টি এন মেমোরিএল একাদেমি, বোর্দিং অমদি য়ূম মৈনা তুন্না চাকখ্রবা মতুংদা ওইহৌরিবা ফীভম



লামায় ১

য়ু জি সী গ্রান্ট ত্বেল্ব প্লানগী শেন্থং মখাদা লুপা লাখ ৭৮ লোম চঙনা নৌনা শাবা ৱাই কে কোলেজ ৱাংজিংগী ৱিমেন হোষ্টেল এম এল এ, পি ব্রোজেননা মায়খুম হাংদোক্তুনা শঙ্গাখিবা



লামায় ৪


Vol. 43, Issue No.313 | শগোলশেন, ফাইরেনগী ২০নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Thursday, February 13, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


## মিনিষ্টর শ্যামকুমারগী দিসক্কালিফিকেসন কেস

# ট্রাইব্যুনেলদা নাকল ২মক্না রিটন আর্গ্যুমেন্টশিং পীশিন্নখ্রে, জজমেন্ট লাউথোক্কদবদা ঙাইরে





ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২(ঐচ এন এস):

মিনিষ্টর থৌনাওজম শ্যামকুমারবু এম এল এ ওইবদগী দিসক্কালিফাই তৌগদবনি হায়দুনা কোংগ্রেস এম এল এশিংনা ফাইল তৌরকখিবা অপূনবা পিটিসন ১৫গী ৱায়েল চথরক্লিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকরগী ট্রাইব্যুনেলনা থা অসিগী ৪দা লৌখৎখিবা প্রোসিদিংদা পীখিবা দিরেক্সনগী মতুংইন্না কেসশিং অসিগী পিটিস্নরশিং অমসুং রেস্পোন্দেন্টনা রিটন আর্গ্যুমেন্টশিং পীশিন্নখিবগা লোয়ননা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর লাউথোক্কদবদা ঙাইরে।

মমাং থাগী ২৯দা এসেমব্লিগী সেক্রেটরিনা থোকখিবা নোটিস (নম্বর- দি/মিসেলিনস-১/২০১৮ / স্পিকর (ট্রাইব্যুনেল)গী মতুংইন্না মিনিষ্টর শ্যামকুমারগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা দিসক্কালিফিকেসন পিটিসন ১৫মক থা অসিগী ৪দা স্পিকরগী ট্রাইব্যুনেলদা লিষ্ট তৌখিবনি। ট্রাইব্যুনেলনা কেসশিং অসিগী মখা তাবা প্রোসিদিংশিং পায়খৎনবা লৌখৎলকপদা অপূনবা কেস ১৫গী পিটিস্নরশিংগী মরক্তগী এম এল এ, এম দি ফজুর রহিম অমসুং কৈশাম মেঘচন্দ্রগী মায়কৈদগী ট্রাইব্যুনেল অসিদা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসনশিং অদুগী সপোর্টতা এদিসনেল এফিদেবিটশিং ফাইল তৌরকখিবনি। পিটিস্নর অনীগী এদিসনেল এফিদেবিটশিং অদুদা দিসক্কালিফিকেসন কেসশিং অসিগী অচুম-অরান লৈখায় তাথোকপদা ট্রাইব্যুনেলগী রেকোর্দ ওইনবা ফেক্টস অমসুং দোক্যুমেন্টশিংসু হাপ্লকখিবনি।

নুমীৎতুদা স্পিকরগী ট্রাইব্যুনেলদা লৈখিবা ফীভম অসিদগী ট্রাইব্যুনেলনা মিনিষ্টর অসিগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা কেস পূম্নমক্কী পিটিস্নরশিং অমসুং রেস্পোন্দেন্ট ওইরিবা মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলশিংদা রিটন আর্গ্যুমেন্টশিং ঙসি (ফেব্রুৱারী ১২, ২০২০) ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লক্লুবা খঙহনখিবনি।

ট্রাইব্যুনেলগী দিরেক্সন মতুংইন্না ঙসি নাকল অনীমক্না মখোয়-মখোয়গী রিটন আর্গ্যুমেন্টশিং পীশিন্নখ্রে।

পাউচে অসিনা কেসশিং অসিগী পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা লেপলিবা কাউন্সেলশিংদগী ফংবা পাউনা হায়বদা ঙসি পীশিন্নরকখিবা রিটন আর্গ্যুমেন্টশিং অদু নাকল অনীমক্তগীনি। পিটিস্নরশিংগী মনুংদগীনা দিসক্কালিফিকেসন কেস নম্বর-২ ওফ ২০১৮গী পিটিস্নর ওইরিবা এম এল এ, এম দি ফজুর রহিমগী মায়কৈদগী রিটন আর্গ্যুমেন্ট অমা সবমিট তৌখি হায়রি। পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদগী অনীশুবা রিটন আর্গ্যুমেন্টনা দিসক্কালিফিকেসন কেস নম্বর-৩ ওফ ২০১৮গী পিটিস্নর ওইরিবা এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রগী মায়কৈদগী সবমিট তৌরকখিবনি। অনীশুবা রিটন আর্গ্যুমেন্ট অসিদা কেসশিং অসিগী লেমহৌরিবা পিটিস্নরশিংগী ৱাকৎশিংসু চপ মান্নবদগী পুনশিল্লগা ফাইল তৌরকখিবনি হায়রি। লোয়ননা স্পিকরগী ট্রাইব্যুনেলনা পীখ্রিবা দিরেক্সন অসিগী মতুংইন্না

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## স্কুল ফগৎহনসি মিসনগী মখাদা স্কুল ৫ ইনোগুগ্যুরেসন তৌখ্রে

# সী এম : বজেটতা স্কুল ফগৎহনসি মিসনগী মতীক চাবা ফন্দ হাপ্লে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচ এন এস):

এদ্যুকেসন হায়বসি অফবা সিটিজন পুথোক্লবা মায়কৈদা চঙশিনগদবনি। মতমদুদা অফবা খুন্নাই লাক্কনি হায়না মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ঙসি স্কুল ফগৎহনসি মিসনগী মখাদা স্কুল ৫ ইনোগুগ্যুরেসন তৌবগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙসি তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট কয়াদা স্কুল ৫ লৈঙাক্কী স্কুল ফগৎহনসি মখাদা ইনোগুগ্যুরেসন তৌখি। ইনোগুগ্যুরেসন তৌখিবা স্কুলশিং অদুদি, মোইরাংপুরেল হায় স্কুল, হৈঙাং হায় স্কুল, শিংজমৈ চিংঙামখা হায় স্কুল, প্রজা হায় স্কুল অমদি এস কে আইদিএল হায় স্কুলনি।

দিপার্টমেন্ট ওফ এদ্যুকেসন (এস) মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি এস কে আইদিএল হায় স্কুল ঙাইরাংবম, ইম্ফাল ৱেষ্টতা পাঙথোকখিবা স্কুল ফগৎহনসি মিসনগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, স্কুল ফগৎহনসি মিসনগীদমক ষ্টেট বজেটতা মতীক চাবা ফন্দ হাপ্লে। রিভাইস ইষ্টিমেট ওইনা লুপা ক্রোর ৪৩ য়র মার্ক তৌরে অমসুং লুপা ক্রোর ২৫ অমসু বজেট ইষ্টিমেটতা হাপ্লে। মিসন অসি হৌদোকপদগী হৌজিক লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা মহৈরোয়শিং মহৈ তম্বা লাকপগী মশীং হেনগৎলক্লে। অথুবা মতমদা মিসন অসিগী মখাদা কসোম অমসুং চান্দেলগী স্কুল অনীসু শঙ্গারগনি।

মহাক্না হায়খি, এদ্যুকেসন হায়বসি অফবা সিটিজন পুথোক্লবা মায়কৈদা পীবা তঙাইফদে। মতমদুদা অফবা খুন্নাই অমা লাক্কনি। ষ্টেট লৈঙাক্না লৈঙাক্কী স্কুলশিং ফগৎহন্নবগীদমক অখন্নবা মীৎয়েংগা লোয়ননা স্কুল ফগৎহনসি মিসন অসি পাঙথোকপনি। মিসন অসি মমাঙ চহীদা লোপ্ঞ তৌখ্রবা মতুং ঙসি তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈবা স্কুল মঙা ইনোগুগ্যুরেসন তৌবগা লোয়ননা ক্লাস হৌদোকখ্রে। লৈঙাক্কী স্কুলশিং ফগৎহনবা হায়বসি য়াম্না

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## চাকথোং গ্যাসকী মমল হেনগৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১২(এজেন্সী):

ইন্দিয়ন ওইল কোর্পোরেসন (আই ও সী)না ঙসি নন-সবসিদাইস তৌরবা লিক্বিফাইদ প্রেট্রোলিয়ম গ্যাস (এল পি জি)গী মমল হেনগৎহনখ্রে।

মালেমগী ওইনা থাউগী মমল তাঙখৎলকপগা ইরোয়ননা এল পি জিগী মমল হেনগৎহনখিবনি হায়রি। ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফম শীনবা থুংনা নুমীৎ খূদিংগী নন-সবসিদাইস এল পি জি সিলিন্দর লাখ ৩০ হেন্না সপ্লাই তৌরিবা আই ও সীগী ৱেবসাইটতা থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়খি মদুদি, কিলোগ্রাম ১৪.২ লূম্বা নন-সবসিদাইস এল পি জি সিলিন্দর অমগী মমল লুপা ১৪৪.৫ হেনগৎহল্লে। দিল্লিদা হান্না সিলিন্দর অমদা লুপা ৭১৪ পীরম্বদগী লুপা ৮৫৮.৫০ য়ৌরে।

হন্দক্তা পুথোকখিবা য়ুনিয়ন বজেট ২০২০দা লৈঙাক্না এল পি জি ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## স্কুল, বোর্দিং অমসুং য়ূম মৈনা তুন্না চাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২(ঐচ এন এস):

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হৈরোক পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা হৈরোক পার্ট থ্রি চম্প্রাথোং ময়াদা লৈবা স্কুল টি এন মেমোরিয়েল একাদেমি, বোর্দিং অমদি য়ূম হৌখিবা নোংয়াই মতুং পুং ১২.৩০ রোম তারকপা মতমদা খঙহৌদনা হৌরকপা মৈনা তুন্না চাকখ্রে। মৈ চাকপা অদুদা অশোক-অপনদি য়াওহৌদ্রে হায়রি।

মৈ চাকখিবা অদুদা লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ১৪দা ক্লাস টেন এগজাম থাগদৌরিবা মহৈরোয়শিংগী এদমিট কার্দ, মহৈরোয়শিংগী লাইরিক, য়ুনিফোর্ম অমদি ষ্টদি মেটিরিয়েল কয়ামরুম য়াওনা পূন্না লুপা ক্রোর ১ রোম হেনবগী মাল-চাংশিংসু য়াওখ্রে। থৌবাল ফায়র সর্ভিসকী টিম লাক্তুনা মৈ চাকপদগী কন্ননবা হাৎনখি হায়রি।

টি এন মেমোরিয়েল একাদেমি অসি ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## ৱাশিমা মীহাৎতা চেন্নবনি হায়বা মীওই ১ শজিৱা জেলদা শিরম্লে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচ এন এস):

য়াইরিপোক তুলিহল ময়াই লৈকাইদগী ৱাশিমা মীহাৎতা চেন্নবনি হায়বা মীওই অমা ঙসি অয়ূক শজিৱা জেলগী টোইলেটতা থৌরী য়ান্দুনা শিরম্লে হায়রি।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই অদুদি লিলোং দাম মখাদগী শৈখ ৱারিশ (২৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি হেসামুদ্দিন কৌই। মহাক ৱাশিমা মীহাৎকা মরী লৈননা পুলিসনা হৌখিবা জন্যুৱারী ৩১দা ফারবা মতুং জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ পীদুনা শজিৱা জেলদা থম্লকখিবনি।

শৈখ ৱারিশনা শিরম্লিবা মফম অদু শজিৱা জেলগী সেক্টর নম্বর ৭কী টোইলেট মনুংদা ফদিগুম্বা ফি অমনা থোঙনাউদা থৌরী য়ান্দুনা শিরম্বা ঙসি অয়ূক থেংনরকখিবনি হায়রি।

থৌদোক থোকফম অদুদা ইমুং-মনুংগী মীওই খরা, মেজিষ্ট্রেট, ফোরেন্সিক সাইন্সকী মীওইশিং অমদি পুলিস য়াওনা য়েংশিল্লুরগা থোক্লকপদা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা হায়খি, শৈখ ৱারিশকী মীশি অসি চিংনৈ। মহাক্না শিরগা লৈরম্বা মতমদা মখোঙ অদু লৈবাক্তা থেংলম্মী। মীৎসু পূনবতা নৎতনা খূৎ অনীসু ফি মচেৎ অমনা পুল্লম্মী। মীশি অসিগী অচুম্বা লংলা-লংজিল পুথোক্তুনা লোগী ওইবা থবক লৌখৎত্রিবা ফাওবা অশিবা হকচাং লৌখিরোই হায়নসু ফোঙদোরকখি।

অমরোমদা, মীশি অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা লিলোং দাম

...মখা লামায় ৩ কলম ২

# সী এ এগী ৱাহৌদগী নাগালেন্দদা বি জে পিগী লুচিংবা ২২ এন পি এফতা য়াওখ্রে

কোহিমা, ফেব্রুৱারী ১২(এজেন্সী):

সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সী এ এ)গী মায়োক্তা অচেৎপা ফিরেপ লৌরদুনা নাগালেন্দদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী লুচিংবা ২২ নাগা পীপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ)তা য়াওখ্রে।

বি জে পিদগী নৌনা চঙলকখ্রবা মীওইশিং অদুনা এন পি এফকী প্রসিদেন্ট ডা. সুরহোজেলি লিজিটসুনা তরাম্না ওকখি। হীরম অসিগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা সুরহোজেলি লিজিটসুনা হায়খি, অচুম্বা পামজবা লুচিংবা পূম্নমক অথুবা মতমদা বি জে পিদগী তোল্লগা পার্টি অসিদা য়াওরল্লগনি।

বি জে পিগী লুচিংবশিং অদুবু তরাম্না ওক্লদুনা লিজিটসুনা হায়খি,




নাগা মীয়ামগী তোপ-তোপ্পা শক্তম অমসুং নাৎ ঙাক শেন্দুনা থম্নবগী পান্দমদা লিংখৎখিবা এন পি এফতা বি জে পিগী লুচিংবা খরা য়াওরক্লিবা অসি মতাং চপ চারে হায়না লৌবা য়াই। তোঙান-তোঙানবা রিজনেল পোলিটিকেল পার্টি কয়া লিংখৎলম্লগা মীখলদা মায়থীরবা মতুংদা মুৎখিবা মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি। এন পি এফতি নাগা ফুরুপ্না হেক লৈরিবমখৈ অদুম্মক লৈখিগনি। হৌজিক-হৌজিক এন পি এফনা ওপোজিসনদা লৈরিবা অসি মতম খরখক্কনি হায়না পল্লদুনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# চহীসিগী এপ্রিল ১দগী মেদিকেল দিভাইসশিং হীদাক ওইনা লৌরগনি

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১২(এজেন্সী):

লাক্কদৌরিবা এপ্রিল ১দগীদি লৈবাক অসিদা য়োল্লিবা মেদিকেল দিভাইস পূম্নমক হীদাক ওইনা লৌবগা লোয়ননা দ্রগস এন্দ কোস্মেটিক্স এক্ট ১৯৪০না কোনশিল্লগনি।

হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমনা হায়খি মদুদি, হৌজিক-হৌজিক শুপ্নগী মেদিকেল দিভাইস ২৩ খক দ্রগ ওইনা লৌরি। মসিগী মনুংদা কার্দিয়ক ষ্টেন্টস, দ্রগ ইল্যুটিং কার্দিয়ক ষ্টেন্টস, কোন্দোম, ইন্ট্রায়ুটেরাইন দিভাইসতি প্রাইস কন্ট্রোলগী মখাদা থল্লি।

হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা হায়খি মদুদি, দ্রগকা মরী লৈনবা টেক্নিকেলগী ওইবা ৱারেপ লৌবগী মতাংদা খ্বাইদগী ৱাংবা বোদি অমা ওইরিবা দ্রগস টেক্নিকেল এদভাইজরি বোর্দ (দি টি এ বি)কা কুপ্না তান্নরবা মতুংদা মেদিকেল দিভাইস পূম্নমক দ্রগ ওইনা লৌনবা ফিরেপ লৌরকপনি।

অতোপ্পা নোটিফিকেসন অমদা হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা মেদিকেল দিভাইসেস রুলস ২০১৭ এমেন্দ তৌখ্রে। মেদিকেল দিভাইসেস (এমেন্দমেন্ট) রুলস ২০২০ হায়না খঙনগদৌরবা অমসুং এপ্রিল ১দগী চৎনগদৌরবা রুল অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা পূম্নমক্কী সজেসন কৌখ্রে। এমেন্দমেন্ট রুল অসিগী মতুংইন্না মেদিকেল দিভাইস পূম্নমক সেন্ট্রেল দ্রগ ষ্টেন্দর্দ কন্ট্রোল ওর্গনাইজেসন (সী দি এস সী ও)না

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

# ওবজেক্সন ফাইল তৌবদা হায় কোর্টনা অয়াবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচ এন এস):

মণিপুর লৈঙাক্কী পব্লিক ৱর্ক্স দিপার্টমেন্ট (পি দব্লিয়ু দি)না কুমজা ২০১৬তা মিটর ৬কী আর সী সী স্লেব কলভর্ট ১ শাবগা লোয়ননা ইম্ফাল-সাইকুল লম্বীগী ইমপ্রুভমেন্টকীদমক ৱর্ক ওর্দর পীখ্রগা অপীবা মতমগী মনুংদা থবক অসি লোইশিন্দবগী মথক্তা অশুমলদি লৌথোকখ্রগা স্লেব অসি শেরান-তুরান শাজিল্লম্লে হায়দুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমগী ওর্দরদা মণিপুরদা পায়খৎপা কন্সট্রক্সন এক্টিভিটি পূম্নমক্কী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা য়েংশিন্নবগীদমক ওবজেক্সন ফাইল তৌবদা অয়াবা পীখ্রে।

পি আই এল পিটিসন অসি পীছ এন্দ দিভলপমেন্ট কো-ওর্দিনেটিং কম্মিটি (পি দি সী সী)গী সেক্রেটরিসু ওইরিবা ৱাইতোন ময়াই লৈকাইদগী থৌদাম হেমজিৎ (৩৯), অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ গুনমনি অমসুং সগোলমাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ৱাখোং মখা লৈকাইদগী কোন্থৌজম জয় মীতৈ (৫৪), অপোকপা লৈখিদ্রবা কে লালবাবুনা জোইন্ট পিটিস্নরশিং ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি।

পি আই এল নম্বর ৪ ওফ ২০২০ অসিদা রেস্পোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লক্লিবনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী সেক্রেটরি (ৱর্ক্স),

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## বামোন কম্পু মর্দর কেস :

# প্রধান রবি কোর্টনা বেল পীখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচ এন এস):

মমাংগী কুমজা ২০১৯গী এপ্রিল ২৩গী অয়ূক্তা ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা বামোন কম্পু লাংথ্রে লৌকোন্দা মঙক্তা থাঙনা লেল্লগা হাৎলম্বদগী শিনা ফংখিবা খুঞ্জাময়ুম অরুন মীহাৎকী মতাংদা পুলিসনা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা ফাদুনা জুদিসল কষ্টদিদা থম্লকখিবা প্রধান রবি কোর্টনা বেল পীখ্রে।

ঙসি সেসন্স জজ, ইম্ফাল ইষ্ট মাইবম মনোজকুমারগী কোর্টনা পীখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না বেল পীখ্রবা প্রধান রবি মশাগী চহী ৪৫ রোম শুরে। লৈখিদ্রবা কে ঐচ অরুনগা লৈকাই অমত্তদা লৈমিন্নবনি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস এফ আই আর নম্বর- ৩০ (৪) ২০১৯ অন্দর সেক্সন- ৩০২/১২০ -বি আই পি সীগা মরী লৈননা মহাক পুলিসনা ফাদুনা জুদিসল কষ্টদিদা থম্লকখিবনি।

অদুবু মহাক্কী মায়কৈদগী মেদিকেল গ্রাউন্দদা বেল পীবীনবা মহাক্না কোর্ট অসিদা ক্রিমিনেল মিসেলিনস (বেল) নম্বর- ৮৪ ওফ ২০১৯ ফাইল তৌরকখিবনি। কোর্টনা মহাক্কী বেল প্রেয়র অসিগী মতুংইন্না মণিপুর সেন্ট্রেল জেল, শজিৱাগী এস পি অমসুং ষ্টেট মেদিকেল বোর্দতগী রিপোর্টশিং কৌরগা মসিগী হিয়রিং

...মখা লামায় ৩ কলম ২

## মালেমগী রেদিওগী নুমীৎ

# দাইমন্দ রেদিওনা মীয়ামগী পূক্নিং ৱাখল অপেন-পেন্দা পাউদমফম ওইরি : জেমস

গ্যানন্দ নাওরেম

ককচীং, ফেব্রুৱারী ১২(ঐচ এন এস):

মীয়ামদা ঙাইহাক থবক শূনা-শূনা, ঈ-পাউ, ঈশৈ-নোংমাই তাজদুনা মীৎ-মায় ওইহল্লিবা, অৱা পোত্থাহনবদা খ্বাইদগী মরু ওইবা অমসুং খ্বাইদগী লায়বা মিদিয়ম অমা ওইরিবা রেদিওবু য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ৬৭শুবা জেনরেল এসেমব্লিনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুং ইন্না কুমজা ২০১২গী ফেব্রুৱারী ১৩ অসিবু মালেমগী রেদিওগী নুমীৎ (ৱর্ল্ড রেদিও দে) হায়না পাঙথোক্লদুনা লাক্লি। কুমজা অসিগী ওইনা 'রেদিও এন্দ দাইভর্সিটি' হায়বা থিমদা



মালেমগী মফম কয়াদা মালেমগী রেদিওগী নুমীৎ পাঙথোক্লনবা শেম-শানরি।

মালেমগী রেদিওগী নুমীৎনা লাকপা অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ...মখা লামায় ৩ কলম ৩

# অমুকোগী ২৭শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গী ২৭শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি ক্বাকৈথেলদা লৈবা অমুকোগী ওফিসতা ফিরাল চিংখৎতুনা পাঙথোকখ্রে। তুংদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী আর্টস সাইন্সকী হোলদা থৌরম পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী চেয়রপর্সন খাইদেম মনিনা হায়খি, ৱাখল ফাওদোক্লদবা ৱারী শানদুনা পাউ ফাওদোক্লবা অসিনা মিসঅন্দরষ্টেন্দিং থোকহনবনি। এন এস সী এননা ইনফ্লুএন্স পীবা




এন পি এফ অসি মখোয়গী ওইব্রা হায়বসু ওইদে। মণিপুর মীয়ামগী ওইরি। মসিদা ইন্টিগ্রেসন হায়বা ৱাহৈসিনা মণিপুরদা মাঙহনগদৌরে। নাগা, কুকি, মীতৈ, পাঙল হায়বসিগী ইন্টিগ্রেসনদা খঙমিন্নরবদি কান্নগনি।

লূপ ময়াম পুন্দুনা খঙমিন্ননবা পাঙথোক্লিবসি মণিপুর কায়রোই। মণিপুরদা ওর্গনাইজেসন লৈরিবমখৈ মণিপুর কায়রোই। কায়নবা হোৎনরকপদা থেংনরক্কনি। বৃটিশনা ইন্দিয়াবু মনিং তম্বা পীবদা গান্ধীনা হরাও-নুংঙাইবা ফোঙদোকউ য়াখিদে। কোংগ্রেস হায়বসি মুখৎলু, মসিনা পোলিটিকেল পার্টি ওইবা য়ারোই হায়বদা অনৌবা শেম্মু হায়রবসু নেহরুনা পোলিটিকেল পার্টি ওইগনি হায়না লৈহৌবনি। মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা মৈতৈ, পাঙল, নাগা, কুকি হায়রিবা অসিসু মণিপুরী ওইনা পূন্না চৎকদবনি। মণিপুরগী অপূনবদা কায়রোই। মখা লামায় ৩ কলম ২

HL-P/5531/12/12-13/01






## HL Poll

Q: Flag post thetpa gari level kharakhaktada yahannaba Cabinetna warep loukhiba asi afaba khongthang ni haina loubra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes | No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Manipur da thokliba cyber crime gi thoudoksing hantha-hannanaba leingakna matik chaba thourang loukhatli khanbra?

Yes 13% No 87%

## অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২৯.৩৪ °C

খ্বাইদগী ঈংবা ৫.১২ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম

নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৫.৫০

নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.০৭

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

## অস! লোইরেহে!

- ঐখোয়গী মীয়াম অসিবু করি তৌরগা নুংঙাইহনগনি, সার...!



- ঈশৈ-নোংমাই, হরাউ কুম্মৈ লেপ্পুনা পাঙথোক্লবদি নুংঙাইহনবা ঙমগনি!

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫